# থা ৭ ফাদুনা থম্বদগী জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অবদুল্লা থাদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩(এজেন্সি)ঃ** হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থা ৭ হেন্না থল্লকখিবগী মতুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অবদুল্লা ঙসি থাদোকখ্রে।

ঙসি ঐঙোন্দা ফাওরিবা মওং অদু ফোঙদোক্লবগী ঐগী ৱাহৈ লৈতে, ঐ ঙসি নিংতম্রে হায়না হেক থাদোক্লকখিবা মতুং ফরুক অবদুল্লানা হায়খি।

মশাগী চহী ৮৩ শুরবা পোলিটিসিয়ান অদুনা মখা তারদুনা, অদুবু নিংতম্বা অসি, হৌজিক ফাদুনা লৈহৌরিবা লুচিংবা পূন্নমক অদু থাদোক্ত্রবদি মপুং ফারেই। মীওই খুদিংমক অদু থাদোক্ত্রিবা ফাওবা ঐহাক্না পোলিটিকেলগী হিরমশিংদা ৱা ঙাংখিরোই হায়খি।

শ্রীনগরদা লৈবা মহাক্কী যুমদগী পূন্নমক অমুবা ফিরোল শেৎতুনা থোক্লকখিবা পোলিটিসিয়ান অহল অদুনা মখা তারদুনা ঐহাক্না ঐগী মীয়াম নিংতম্লগনি আশা তৌই। ষ্টেট অসিগী মীয়াম নিংতম্লগনি। মতম অসুক শাংনা ঐখোনা হোৎনরকখিবা অশেংবা নিংতম্বা অদু ঐখোয়না ফংলগনি হায়না ঐখোয়না শেম্বীবা মপুদা খুরুমজসি হায়খি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অবদুল্লাবু মহাক্কী মচানুপা ওমর অবদুল্লা অমসুং পি দি পিগী মদুসু হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতি য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়া মরুমগা লোয়ননা হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ৫দা আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পীবা স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদু গভর্ণমেন্টনা লৌথোকখিবা অমসুং পাত্তক্লনা সেক্যুরিটিগী অথিংবশিং অমসুং ঈ–পাউগী থবক পূন্নমক থিঙজিনখিবা নুমিৎ অদুদগী ফাজিনখিবনি।

থা ৩ ফাজিন্দুনা থমগদবা, মীয়ামদা অকায়বা থোকহনবগী মতাংদা অকনবা পব্লিক সেফটি এক্ট (পি এস এ)গী মখাদা মহাকপু সেপ্টেম্বর থাদা মরান শীখিবনি।

আর্টিকল ৩৭০গী খোঙথাং অদুগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা ফরুক অবদুল্লানা গভর্ণমন্টেতা থীনা চৈখি অমসুং মহাকপু ফাবা লৈতে হায়না পার্লিয়ামেন্টতা মীনম্বগীদমক হোম মিনিষ্টর অমিত শাহবুসু মরান শীখি।

মহাক্কী মচানুপী শাফিয়া অবদুল্লা খাননসু ঐগী ইপা অমুক হন্না নিংতম্বা মী অমা ওইরে হায়খি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ওপোজিসন পার্টি ৮না কাশ্মিরদা ফাদুনা থমখিবা পোলিটিকেল দিটেনি পূন্নমক খুদক্তা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমন্টেতা অপুনবা ৱারেপ অমা থাখি।

নরেন্দ্র মোদি গভর্রমন্টেকী মখাদা ঐখোয়গী কনষ্টিট্যুসনদা খ্বাইদগী মরুওইনা য়াওরিবা জষ্টিস, লিবর্টি, ইক্বেলিটি অমসুং ফ্রেটর্নিটিগী ৱাখল ফিদমশিং অদুদা চৈথেং পীবা তমথিবা এদমিনিষ্ট্রেটিব এক্সননা দেমোক্রেটিক ওইবা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোল্লাওবু চিন্দা ফিবুল নমশিন্দুনা মেনশিল্লে হায়না ওপোজিসন পার্টিগী অপুনবা ৱারেপ অদুনা হায়খি।

মিষ্টর অবদুল্লানা পার্লিয়ামেন্টতা ঐবু থাদোক্লবগীদমক ৱা ঙাংখিবা পার্লিয়ামেন্টরি মেম্বরশিং অদুদা ঐহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। ঐনা মী খুদিংমক্তা হায়খ্রে। দিল্লিদা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা ঐহাক্না পার্লিয়ামেন্টতা চৎপা ঙম্লগনি অমসুং নখোয়গীদমক অমসুং ষ্টেটকী মীয়ামগীদমক ৱা ঙাংবা ঙম্লগনি হায়না মখা তানা আশা তৌরি হায়খি।

# দিল্লি হিংশা ঃ পুলিস,আই বি মীওই হাৎখিবগী ৮ ফাখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩(এজেন্সি)ঃ** হন্দক অৱাং নোংপোক দিল্লিদা থোকখিবা হাৎন–শুনবগী হিংশাশিং অদুদা পুলিস হেদ–কনষ্টেবল রতন লাল অমসুং ইন্টিল্লিজেন্স ব্যুরোগী ওফিসার অঙ্কিৎ শর্ম হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা থিগৎপদা চাওনা মায় পাকখ্রে অমসুং মীহাৎশিং অমসুং অতৈ হাৎন–শুনবগী কেসশিংদা নৌনা মীওই ১২ ফাখ্রে।

হেদ কনষ্টেবল রতন লাল হাৎখিবগীদমক মীওই ৭ ফাগৎখ্রে অমসুং ইন্টিল্লিজেন্স ওফিসিয়েল অঙ্কিৎ শর্ম হাৎখিবগী মরী লৈননা মশাগী চহী ২০ শুরবা মীওই অমা ফারে। হিংশাশিং অদুগী মতমদা অতৈ মীহাৎশিংগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই ৪ অমগসু ফারে।

মফম অদুগী নালাশিংদগী হকচাংশিং ফংখিবা মীওই ৪





হাৎপগীদমক অঙ্কিৎ অমসুং সুমিত কৌবা মীওই ২ ফারে। মসিগী মমাঙদা হায়রিবা কেসশিং অসিসা লোকেস শর্ম অমসুং পঙ্কজ ফাখ্রে।

যুম অমা মৈ থাখিবা অমসুং মদুদা শ্বর ফুন্দুনা চহী ৮৫ শুরবী নুপী অমা শিখিবা কেসকা মরী লৈননা অরুন অমসুং বরুন কৌবা মচিন–মনাও অনীসু ফারে।

দিল্লি হিংশাশিং অদুগা মরী লৈননা এফ আই আর ৭১২ রোম রেজিষ্টার তৌখি, মীওই ২০০০ হেন্না ফাগৎখি, মদুগী মনুংদা মীওই ২০০ রোমনা লৌখিবা শক্লোনশিং খঙবা ঙম্লে অমসুং মখোয় ফাদুনা থম্লে হায়না পুলিসনা হায়খি।

পুলিস হেদ–কনষ্টেবল রতন লাল হাৎখিবা মফম অদু সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ)গী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট অমগী মফমনি হায়বসি পুলিসনা খঙবা ঙমখ্রে। অয়ুক অদুদা মীয়াম অদুনা পুলিস পার্টিদা খুৎ থানবা অমসুং তেশিন্নবা ৱারী শান্নবগী থৌরাং তৌরে হায়জিন্নবা লৌতুনবা চথখি।

মশীং হেন্না য়ান্নবা পুলিস টিম নক্সিল্লকখিবগা মীওই খুৎপু অদুনা মখোয়দা খুৎ থারকখি। চরাংনবা মরক্তা অদুদা হেদ কনষ্টেবল অদু হাৎখিবনি। ফারবা মীওইশিং অসি চান্দ বাগকী লেন নম্বর ৩ অমসুং ৮দা লৈবনি।

# ওরিশ্যা গভর্ণমেন্টনা কোরোনাভাইরসপু ষ্টেট দিজাষ্টর ওইনা লাওথোকখ্রে, ভাইরস থেংননবা লুপা ক্রোর ২০০ খায়দোকখ্রে

**ভুবনেশ্বর, মার্চ ১৩(এজেন্সি)ঃ** ওরিশ্যা চীফ মিনিষ্টর নবীন পাতনায়ক্না ঙসি ইরাই নুমিৎতা ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসনা পীরিবা অকিবা থেংননবা গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ২০০ খায়দোক্লে হায়খ্রে অমসুং একজামিনেসনশিং পাংথোক্লবগীখক নত্তনা মার্চ ৩১ ফাওবা ষ্টেট অসিদা মহৈলোইশঙ পূন্নমক থিং জিল্লে লাওথোকখ্রে।

মফম অসিদা ষ্টেট এসেমব্লিদাপীবা ষ্টেটমেন্ট অমদা চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ–১৯বু গভর্ণমেন্টনা দিজাষ্টার অমা ওইনসু লাওথোক্লে হায়খি।

ঙসিমক কেবিনেট মীফম ফমখি অমসুং লায়না অসি শন্দোরকপা থেংননবা ঐখোয়গী পব্লিক ওফিসিয়েলশিং মতিক চানা শক্তি পীনবা দিজাষ্টার মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫কী প্রোভিজনশিংগী মখাদা ষ্টেট অসিগীদমক কোভিদ –১৯বু দিজাষ্টর অমা ওইনা লাওথোক্লে হায়না মিষ্টর পাতনায়ক্না হায়খি।

মহাক্না হায়খি, মালেম পাকশন্না শন্দোরক্লবা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা পীরিবা অকিবা অসি থেংননবা পব্লিক হেল্ঠ রেস্পেন্স ফগৎহন্নবা অমসুং মথৌ তাবা খরচশিং তৌনবগীদমক লুপা ক্রোর ২০০গী শেনফম খায়দোক্লে। সেমিনারশিং, ৱার্কসোপশিং অমসুং কনফরেন্সশিংগুম্বা মথৌ তাদবা ওফিসিয়েলগী মী পূনবশিং ককথৎলে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

লাইনিং–লাইশোন থৌরমশিং, লুহোং–খোঙদোঙবা অমসুং পার্টিশিংগুম্বা মীয়াম পুনবা থৌরমশিংদি মফম মফমদুগী ওথোরিটিজনা য়েংশিনগনি হায়নসু মহাক্না হায়খি।

ষ্টেট অসিদা সিনেমা হেলশিং,





স্বিমিং পুলশিং অমসুং জিমশিংসু মার্চ ৩১ ফাওবা থিংজিল্লগনি হায়না চীফ মিষ্টিরনা মখা তাখি।

লাইচৎ অসি মাঙজৌননা থিংনবা অমসুং শন্দোরকপা লাকশিন্নবা মথৌ তাবা দ্রগশিং অমসুং কনঞ্জুমেবলশিং লোয়ননা ইক্বুইপমেন্টকী ইমর্জেন্সি প্রোকিওরমেন্ট তৌনবগীদমক হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্ট অমসুং মসিগী দিরেক্টোরেটশিং, লোয়ননা কলেক্টরশিং অমসুং ম্যুনিসিপাল কমিস্নারশিংদা ওথোরাইজ তৌখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# রেপ তৌবিখিবী নুপীমচাগী মপা হাৎখিবগীদমক তাহোকখ্রবা বি জে পি এম এল এ চহী ১০গী জেলগী চৈরাক ফংখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩(এজেন্সি)ঃ** উত্তর প্রদেশকী উন্নাওদা ২০১৭দা কুলদীপ সিংহ সেনগার কৌবা বি জে পিগী এম এল এ অদুনা রেপ তৌখিবী নুপীমচা অমগী মপা অদুবু হাৎপগীদমক পার্টিদগী তাহোক্লকখ্রবা বি জে পি এম এল এ অদু জেলদা চহী ১০গী চৈরাক পীখ্রে। মহাক্কী মচিন–মনাও অমসুং কো–একুজ অতুল সিংহ সেনগারসু চপ মান্নবা চৈরাক পীখ্রে।

রেপ তৌখিবী নুপীমচা অদুগী ইমুংদা লুপা লাক্ষ ১০–১০ পীনবা মচিন–মনাও অদুদা দিল্লি কোর্ট অমনা ওর্দর তৌখ্রে।

নুপীমচা অদুগী মপা অদু জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরিঙৈ মতম ২০১৮গী এপ্রিল ৯দা শিখি। মরাইবক থিরবী নুপীমচা অদু মহাক্কী মপাসু মাঙজরে। মহাক মাগী ময়ুমদা হল্লকপা ঙমদ্রে। ইমুং অদুদা অঙাং ৪ লৈ। মদুগী মনুংদা ৩দি নুপীমচাশিংনি অমসুং ৪মক অদু শারেপ ফাদ্রিবা ঙাক্তনি হায়না দিল্লিদা ঙসি অয়ুক চৈরাক অদু পীরদুনা দিষ্ট্রিক্ট জজ ধরমেস শর্মনা হায়খি।

নুপীমচা অদুগী মপা অদুবু আর্মস এক্ট কেস অমদা মীনমদুনা



জজ অদুনা মমাঙদা চেন্নহন্নবগী ক্রিমিনেল কনস্পিরেসি তৌখিবা অদুগীদমক পুলিসমেন অনীগীদমকসু কোর্টনা চপ মান্নবা চৈরাকশিং পীখি। পুলিসমেন অনী অদু হৌজিক বেলদা লৈরি।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরদগী দিল্লি কোর্ট অদুনা মপা অদু হাৎখিবগী মীনম–শোরিবা আর্ম কেস অদুগা পুন্না কেস অনী হিয়ারিং তৌখি।

মপা অদুদা কন্ট্রিমেদ পিষ্টোল অমা থমজিনখি অমসুং পুলিস ষ্টেসনদা মহাকপু তমথিনা ফুখি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। মসি মচানুপী রেপ তৌখিবা অদুগী মতাংদা ৱাকৎ থাঙ্গৎপা থিংনবা অমসুং মচিন মেনশিন্নবগীদমক কিহন্নবা অচৌবা লৌতুনবা অমগী শরুক অমনি। মপা অদুগী হকচাংদা শাথিনা শোকপগী দাগফম কয়ামরুম তারম্মি হায়নসু জজ অদুনা মখা তাখি।

মতম অদুদা কুলদীপ সিংহ সেনগার দিল্লিদা লৈরবা ফাওবদসু উন্নাওদা লৈরিবা পুলিসশিং অদুগা মহাক্কা মরী লৈনখি অমসুং পাউ ফাওনখি। নুপীমচা অদুগী মপা অদুবু লম্বী নাকন অদুদগী লৌখৎলগা পুলিস ষ্টেসনদা পুরকখি অমসুং তমথিনা ফুখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নুপী মচা অদুনা অচুম্বা ৱায়েন ফংনবগীদমক মফম খুদিংদা চংজরুবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যানাথকী যুমগী মপান্দা মশামক সুইসাইদ তৌদুনা শিজনবা হোৎনরকখিবা অদুগী মতুংদা মালেমগী ঈ–পাউ ওইখ্রবা রেপ কেস অদু থিজিল্লকখিবনি।

নুপীমচা অদুগী মনা অদু লায়েংবদা মেদিকেলগী চাওনা থৌশাদবা লৈখিবা অদুগীদমক হোস্পিটাল ওথোরিটিজগী মথক্তা থবক লৌখৎনবসু ঙসি অয়ুক কোর্ট অদুনা য়ু পি গভর্ণমন্টেতা দিরেক্টিব পীখি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা পীখিবা চৈরাক মতুংইন্না উন্নাও রেপ কেসতা কুলদীপ সিংহ সেনগারবু হান্ননা মহাক্কী লেমহৌরিবা পুন্সিগী মতম জেলদা লৈনবা চৈরাক পীখ্রবনি। মসিগীসু মথক্তা মহাক্না রেপ তৌখিবী নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ৩০গী শেনফম পীনবসু কোর্ট অদুনা য়াথং পীখি।

# ইজিপ্তুতা নোংলৈ–নুংশিৎনা পাক চাওনা ঈশিং–ঈচাও থোকহনখ্রে, য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিখ্রে



**কাইরো, মার্চ ১৩(এজেন্সি)ঃ** ইজিপ্তকী মফম কয়ামুক্তা অকনবা নোং–নুংশিৎনা পাক চাওনা ঈচাও থোকহনখ্রে। ওথোরিটিজনা স্কুলশিং, গভর্ণমন্টে ওফিসশিং অমসুং এয়ারপোর্ট ১ থিং জিনখ্রে। য়ামদ্রবদা ৫ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৫ শোকখ্রে হায়রি।

নোংলৈ নুশিৎনা অমসুং ঈচাওনা চায়খায়রন্নবা অমসুং মোৎহলন্নবা লম্বীশিং অদু শেংদোক্লবা ঙরাং শেন পীবা ছুতি অমা লাওথোকখ্রে। মীয়ামনা যুমদা লৈনবা অমসুং উ পাম্বীশিংগী মনাক্তা নৎত্রগা ঈচাও থোক্লক্লিঙাই ওইবা অনেম্বা মফমশিংদা চৎতনবা ওফিসিয়েলশিংনা আপিল তৌখ্রে অমসুং স্কুলশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং থিঙখ্রে।

অৱাং থংবা প্রোভিন্স সোহাগতা ড্রাইভর অমা মহাক্কী কার অদু অকনবা নুংশিৎনা হুমদুনা কেনেল অমদা তাখিবদগী শিখি। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা মৈ ফংখিদবদগী লাইটিং কলম অমা অমুক শেমজিন্নবা হোৎনবা টেক্নিসিয়ান অমা ন্যু ভেলি প্রোভিন্সতা ইলেক্ট্রিক্না চিংদুনা শিখি।

খা থংবা প্রোভিন্স কেনানদা খুঙ্গংগী লমদম অমদা অঙাং অমা অমসুং মীওই ৫ মখোয়গী যুমশিং অদু ঈচাওদা তেকখিবদগী নন্দুনা শিখি।

মেদিটরেনিয়ান সি মথক্তা য়ান্না শক্তি লৈরবা নোংলৈ–নুংশিৎ অমা পোক্লকখিবগা মীয়ামদা ওথোরিটিজনা ৱার্নিং তৌদুনা যুমশকৈশা নুমিৎতগী ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি অমা হৌখি।

ওথোরিটিজনা টুরিষ্টশিংগীদমক মরুওইবা ময়োল অমা ওইরিবা লক্সোর ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট লোয়ননা মেদিটরেনিয়ান হিথাংফম অলেকজেন্দ্রিয়া অমসুং শার্ম এল–শৈখকী রেদ সি হিথাংফম অদুসু ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা থিং জিনখ্রে।

সুয়েজ কেনেলগী নোংচুপ তোর্বান্দা লৈবা ইস্মাইলিয়া সিটিদা পুং ২৪গী মনুংদা মিলিমিটর ২৫গী নোং চুবগী রোকার্দ তৌখি। অদুগা লৈবাক অসিগী মেদিটরেনিয়ান তোর্বানাদা লৈবা মেরসা মাত্রুহ হায়বা লম কোয়ফম টাউন অদুসু মিলিমিটর ২০গী নোং চুখি।

অসুন্না থোয়না য়ামদবা ওইরবা ফাওবা নোং চুবশিং অদুনা পুন্সিল্লগা লৈবাকসিগী কোনুং কাইরোগী মফম কয়ামুক ঈশিং মখাদা লৈখ্রে।

ইজিপ্তসিয়ান মেটিওরোলোজিকেল ওথোরিটিদা এনালাইসিস দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর মহমুদ শাহিননা মসিগী মওং কয়াবা নোং–চিংগী ফিভমশিং অসি ১৯৯৪গী মতুংদগী অসিগুম্বা শাফুগা লোয়ননা অমুক্তা থোকখিদ্রি হায়রি।

# পাকিষ্টানদা করপসনগী মরানদা মেদিয়া মোগল ফাখ্রে

**ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৩(এজেন্সি)ঃ** পাকিষ্টানদা ওথোরিটজনা মেদিয়া মোগল অমবু চহী কয়ামুক লিরবা কেস অমদা করপসনগী মরানশিংদা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা ফাখ্রে।

মদু ইনভেষ্টিগেটিব প্রোগাম কয়ামুক ব্রোদকাষ্ট তৌরকখিবগী মখা তারকপদা লমন খুম্বা পাম্বদগী চথরকখিবনি হায়না মহাক্কী মীহুৎশিংনা হায়খি।

নেসনেল একাউন্টেবিলিটি (এন এ বি)না পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী চাওবা পাউ–চেশিং খরা অমসুং জিও টেলিভিজন নেটৱার্ক য়াওরিবা জাঙ্গ গ্রুপকী এদিটর–ইন–চীফ মির শাকীল–উর–রেহমনবু নোংপোক থংবা লাহোর সিটিদা লম প্লোটশিং লৈবদা আইননা য়াদবা কন্সেসনশিং লৌখি মরন শীরদুনা ১৯৮৬কী মতমদা লেন্দ ট্রাঞ্জেক্সন অমগী মতাংদা ফাখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা লম লৈবা অদুগী মতাংদা লিগেলগী মথৌতাবা পুন্নমক মপুং ফাহনখি। টেক্স পূন্নমক থীখি হায়রদুনা রেহমনগী মথক্তা শীরিবা মরানশিং অদু জিও গ্রুপনা য়াখিদে।

জিও গ্রুপনা হায়খি, এন এ বিনা রেহমনবু মহাক্কী চেনেলশিংদা ব্যুরো অদুদা চথখিবা ইনভেষ্টিগেটিবকী থবকশিংগী মরম খক্তদগী ফাবনি।



নেসনেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো অদুনা ঐখোয়গী চেনেলশিংবু মখোয়গী মরমদা ঐখোয়গী রিপোর্টশিং অমসুং ঐখোয়গী প্রোগ্রামশিংগী মরমদগী থিংজিল্লগনি হায়খি। মরম অদুনা এন এ বিনা হৌখিবা থা ১৮ অসিদা হকথেংননবা অমসুং নাকোয়ননা কিহনবা নোটিস ১২ হেন্না ঐখোয়গী রিপোটরশিং, প্রদ্যুসরশিং অমসুং এদিটরশিংদা থারকখি।

মপুং ফানা অচুম্বা অদুবু নমহৎলগা এন এ বিনা মখোয়গী মীচংদা শৌগৎপা প্রোগ্রামশিং তৌনবা অদুগা ঐখোয়বু থবক তপথনবা অমসুং মখোয়গী মতাংদা ফোঙবা ৱারিশিং অদু লেপ্পবা পাম্বে কয়ামরুগী খুৎথাংদা হোৎনরকখি হায়না জিও গ্রুপকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

এন এ বিনা জাং গ্রুপনা হায়রিবা মরা শীবা ৱারোলশিং অদু শেমজিন–শাজিনবা অমসুং যুমফম লৈতবনি হায়না য়াখিদে হায়না দোন নিউজ ৱেবসাইটকী পাউনা হায়রি।

কম্মিটি টু প্রোটেক জর্নেলিষ্টস (সি পি জে)না ঙসি ইরাই নুমিৎতা জাং গ্রুপকী মির সকিল–উর– রেহমনবু খুদক্তা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

পাকিষ্টানগী নেসনেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরোনা মির সকিল–উর– রেহমনবু শোয়দনমক খুদক্তা থাদোক্লদবনি অমসুং মহাক্কী মথক্তা শেমজিন–শাজিনবা কেস ময়াম অদু লৌথোক্লদবনি হায়না কমিটি টু প্রোটেক জর্নেলিষ্টস (সি পি সি)গী এসিয়া প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ষ্টেভেন বট্‌লরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

চহী ৩৪ শুরবা লম লৈবগী মতাংদা ফারিবা অসিনা প্রেসকী নিংতম্বা ঙাকই হায়রিবা দেমোক্রেসি অমা ওইনবগী পাকিষ্টানগী ৱাফম অদু ফাগি তাহল্লে। ২০১৮দা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান খল্লকখিবা মতুংদগী পাকিষ্টানগী মেদিয়াবু হেন্না কনবা সেন্সরসিপ অমসুং প্রেসরগী মখাদা নমথদুনা থল্লকখি।

নেসনেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো অসি করপ পোলিটিসিয়ানশিং, ব্যুরোক্রেটশিং অমসুং ওন্ট্রপ্রেনরশিং লাক্সিন্নবা মতম অদুগী মিলিটরি লৈঙাকপা পরভেস মুসারফকী দিক্টেটরসিপ মখাদা ২০০০দা লিংখৎলমখিবনি।

হৌখিবা চহীদা গ্লোবেল ৱাটচদোগ অমনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টপু তমথিবা মওংদা মেদিয়া সেন্সরসিপ তৌবগীদমক য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ওপোজিসনগী ন্যুজ কনফরেন্স অমগী পাউ ফোঙবগীদমক ন্যুজ চেন্নেল ৩বু পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা থিংখিবনি। মদু মেদিয়াগী নিংতম্বগী মায়োক্তনি হায়না রিপোর্টরস ৱিদাউট বোর্দরসগী এসিয়া–পেসিফিক দেক্সকী মকোক দেনিয়েল বাষ্টার্দনা হৌখিবা জুলাইদা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

# নেসনেল কনফরেন্স লুচিংবা, জম্মু–কাশ্মিরগী হান্নগী সি এম থাদোক্লকখিববু লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৩(এজেন্সি)ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী কনষ্টিট্যুসননা পীবা স্পিসিয়েল ষ্টেটস মুখৎখিবগী মতাংদা ঈরাং হৌরক্তনবা অমসুং মীয়ামগী লুচিংবশিং মচিন মেন্নবা তমথিবা পব্লিক সেফটি এক্ট (পি এস এ)গী মখাদা ফাদুনা থমখিবা লুচিংবশিংগী মনুংদগী ঙসি নেসনেল কনফরেন্সকী পেট্রোন অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অবদুল্লাবু থাদোক্লকখিবা অদুদা পোলিটিকেল লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

মিষ্টর অবদুল্লাগী পার্টি নেসনেল কনফরেন্স (এন সি)না মহাক থাদোক্লকখিবা অদুবু জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা অশেংবা পোলিটিকেলগী খোঙচৎ অমুক হঞ্জিন্নবগী লম্বীদা অচুম্বা মায়কৈদা থাংবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

হান্নগী যুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর শশি থারুর, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট)কী সেনিয়ার লিদর সিতারাম য়েচুরি অমসুং ট্রিনামুল কোংগ্রেস লুচিংবী অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনচিংবনা ফরুক অবদুল্লা থাদোক্লকখিবদা নুংঙাইবা অমসুং মখোয়গী তোঙান তোঙানবা মত কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মিষ্টর অবদুল্লাগী পুন্সি নুংশাংনবা খুরুমজরি অমসুং অতোপ্পা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ২– ওমর অবদুল্লা অমসুং মেহবুবা মুফতিবুসু থুনমক থাদোক্লক্লনি অমসুং দেমোক্রেসিগী খোঙচৎতা খুদক্তা শরুক য়াহল্লগনি আশা তৌই হায়খি।

সি পি এম লুচিংবা সিতারাম য়েচুরিনা হায়, মিষ্টর অবদুল্লা থাদোরকপা অসি মতম শাংনগী মমাঙদগী থাদোকফম থোক্লবনি। পব্লিক সেফটি এক্ট (পি এস এ) শিজিন্নবা অমসুং ডো. ফরুক অবদুল্লা ফাবা অদু আইননা য়াদে, দেমোক্রেটিক ওইদে অমসুং কনষ্টিট্যুসননা য়াদে, ঐখোয় পূন্নমক্না মাগী হকচাং অমসুং শোয়–ঙামদনবগী মতাংদা খল্লি হায়না মিষ্টর য়েচুরিনা হায়খি।

হান্নগী যুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লিদর শশি থারুরনা থেঙলবসু থেঙনা ফরুক অবদুল্লা থাদোক্লকখিববু মহাক্না তারম্না ওকই হায়খি।

লোক সভাগী মমাঙ থংবা ফান পরেংদা মহাক্কী অচুম্বা ফমফম অদু মহাক্না থুনমক লৌরগনি, মফম অদুদা মহাক্কী ষ্টেটনা মায়োক্লরিবা অমসুং লৈবাক অসিগী ফিভমগী মতাংদা মাগী মহৌশাগী ওইবা শুমহৎপা ৱাঙাংদা ঙাংলরগনি হায়না ঐহাক্না আশা তৌই হায়না মিষ্টর থারুরনা ট্বিট তৌখি।

হৌজিকসু ফাদুনা থম্লিবী পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)চীফ অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিগী মচানুপী ইলটিজা মুফতিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পীরম্বা স্পিসিয়েল ষ্টেটস ককথৎখিবগী মতুংদা ফাজিন্দুনা থম্বা মীওই পূন্নমক থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মপান্দা লৈবা জেলশিংদা অৱাবা খাঙলিবা নহা লিশিং কয়া য়াওনা ফারিবা পূন্নমক থাদোকপা মতম ওইরে। মসি মতম য়ান্না শাংমনখ্রে অমসুং হৌজিক শোয়দনমক লোইশিল্লগদবনি হায়না ইলটিজা মুফতিনা ট্বিট তৌখি।

## বারামুল্লাদা কাপ্পদা মিলিটেন্ট ১ শিখ্রে

**শ্রীনগর, মার্চ ১৩(এজেন্সি)ঃ** অৱাং কাশ্মিরগী বারামুল্লা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি ইরাই নুমিৎকী নুমিৎযুংবা মতুংদা রাফিয়াবাদকী শুটলু এরিয়াদা কাপথৎনবা অমদা মিলিটেন্ট ১ শিখ্রে।

রাফিয়াবাদকী সুতলু খূনদা নাকাগী থৌরম অমদা ৩২ আর আর এসওগী অপুনবা টিম অমনা অকক্লবা পাউ ফংবদগী মিলিটেন্টশিং অদু থৎখি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখি।

মিলিটেন্টশিং অদু থৎখিবা মতুংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুগা মিলিটেন্টশিং অদুগী মরক্তা কাপ্পখি। কাপ্পবা অদুদা হৌজিক ফাওবদা মিলিটেন্ট ১ শিখ্রে অমসুং মফম অদুদা হৌজিকসু থিরি হায়না মহাক্না হায়খি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-405**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 1 | | 9 | 4 | 8 | | |
| 8 | 7 | 4 | | | | | | 1 |
| 2 | 9 | | | 1 | | | 4 | |
| 9 | | 6 | 2 | 8 | | | | |
| | | 8 | 1 | | 7 | | 6 | |
| 1 | | | | 4 | | | 5 | |
| | 4 | | 8 | | | 1 | | |
| | 1 | | | | 9 | | 8 | 6 |
| | | | 6 | | | 9 | | 4 |

## GAS TODAY

**Manipur Gas Service**
Booking : 14/01/20
Valid : 03/01/19
Stk : 558/19kg -48
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 10/01/20
Valid : 03/01/20
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
Frist Come First Serve

**Imphal LPG Service**
Booking : 29/01/20
Valid : 17/01/20
Sl. No. : 13068
Stk : 306 /19kg-57
Time : From 08.30 a.m.
Frist Come First Serve

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 10/01/20
Sl. No. : 2300
Valid : 06/01/20
Sl. No. : 1051
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**সনা–সুদোকু – ৪০৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 4 | 1 | 6 | 9 | 5 | 8 | 7 |
| 8 | 5 | 9 | 2 | 7 | 4 | 1 | 6 | 3 |
| 6 | 1 | 7 | 3 | 5 | 8 | 2 | 4 | 9 |
| 9 | 7 | 3 | 4 | 1 | 6 | 8 | 2 | 5 |
| 1 | 6 | 5 | 7 | 8 | 2 | 3 | 9 | 4 |
| 4 | 8 | 2 | 5 | 9 | 3 | 7 | 1 | 6 |
| 7 | 9 | 1 | 6 | 2 | 5 | 4 | 3 | 8 |
| 2 | 4 | 6 | 8 | 3 | 7 | 9 | 5 | 1 |
| 5 | 3 | 8 | 9 | 4 | 1 | 6 | 7 | 2 |